# ২২ শুবা মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটিগী মীফম য়াওরুবদা

**নিংথম** থাগী হৌনবী পুংসু জেট প্লেনগুম য়াঙখিবনা অয়ুক্কী পুং ৬.৩০ হায়বসি নংহৌরোই, নংবা ঙল্লোই খনবদগী ঐ ইশানা খঙনা চেকশিন লৌখৎচখি। মসিমক্কা নংদবগী খুদোংচাদবা অদুমদি থোকখিদ্রে। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৪ গী অয়ুক্তো য়াম্নসু ঈংখি হান্নদগী ফনা য়াম্না হেনবোই নীংই তৌবসু নুমীৎতুনা চৎখিবা চহীসিগী খ্বাইদগী ঈংবা নুমীৎনি হায়না রেকোর্দ তৌবগী ৰা কোন্না থেংনরকই। য়ুমদা পুং ৬.১৫ তাখ্রে নংলরোই খনবদগী মীহুন তিং তিং চোংলকই। ৰাহেংবম লৈকায় য়ৌবদদি পুং ৬.৪০ চৎখ্রে, ইচে মায়া, ওজা একাশিনি, ওজা সুবদনি চোংথাম ওংবী লৈরম্লে, ঙাইহাক লৈরগা ইচেম্মা বীমাবতি থিয়াম ওংবী, ওজা তম্ফাস্না, ওজা রঘুমণি লাক্লে। মতুংদা ওজা খাঙেম্বম ইবেতোনসু য়ৌরক্তুনা ঐখোয়গী খোঙবু শুরে। পুং ৭.৩০ খরা হেল্লকপদা ঐখোয়গী ক্রুইজর গাড়ীদু শিলচরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লম্লে। গাড়ীদি থৌরকপদা ঙাইরিবোই খল্লি খাকী শেৎপশিংনা চেক তৌবা হৌরকই। খল্লি মসি ইরমদমসিগীদি ঈনাৎ ওল্লবনি। ঐখোয়না মনুংদগী খোরিরোলগী থৌরম য়াওবা চৎপনি খরা থুনা চৎহনবীয়ু হায়রুই। মীগী উনশানা কুপ্পা পুকচেল অমত্তা মান্নদে। কনাগুম্বনা ফজনা হরাও হরাও চৎহনবীরকপসু য়াওই, য়াদবসু য়াওই। অসুম্না কৈথেলমানবী লান্দুনা মথং মথং লাকই। লম্বীগী মওং য়াম্নবু ফরম্মী। ঐনা খনবগা খেন্নরম্মী। ঐনা য়াম পাখৎলুই জিরি লম্বী হায়দুদা। লম্বী ময়াদা হৌরিবা অশংবা উপাল, লফু পাম্বী, খরা থাপ্না চগুংননা হৌরিবা ৰা পাম্বী, মখোয়গী মরক্তা চৎপসে শকখঙদবা লমদম অমদা চৎপগুম ইকোই কোইদে, ঐগী ইয়ূম লমদমদা কোইথোক্লুবগুম নুংঙাইবা ফাওই। লম্বীগী মপান্দা লৈ পাম্বীদি অদুক হাক্লা থেংনরক্তে।

অদুবু মাগী মতম ওইরমালে খারম লৈশোক অঙাঙবনা অশঙবা মনাগী মরক্তা থিন্দোক্তুনা চোয়না চোয়না শাৎলম্বদো য়াম্নমক ফজহৌই। খারম লৈশোক উরগা নীংশিংলকই অদুঙৈগী পুৰারীগী তাঙ্কক অমা মোইরাং নিংথৌ, পুরিক্লাই থিংক্রি নাচাউপা (চোথে থাংৰাই পাখংবনা) চোথে নুংশুকচীংদা লান্দারুবগী হল্লকপদা লম্বীদা শাৎলম্বা খারম লৈশোক অঙাঙববু হেক্তুনা মশানৌ লৈমা শুনুলেম্বীদা খুদোল ওইনা পীরবদা লৈমনা অসুক ফজবা লৈসিদি, "লৈসিবু কেকে পাখঙ, লৈশানা চিল্লবদি মশম শমজি কক্লা থীংবিয়ু" হায়খিবদগী খারম লৈশোক অঙাঙবা লৈমা শুনুলেম্বী থৌখামলৈ হায়না খঙনখিবগী ৰারীদো। খল্ল ৰারীগা চুনবী লৈরাংনি হৌজিক্কী মীরোলনসু মাবু হীদাক লাংথক্কী মগুণ চেনবা পাম্বীনি হায়না লৌনরি, চৎন চৎনা লম্বীগী ফীভমসু খরা খরা হোংলকই। পঙফৎ ফৎতববুদি নত্তে উফুলবুদি ফজনা হৌরে, ওজা রঘুমণিনা মথন্তা মনিংদা মরাং কায়না তোংই ঐখোয়গীদি মী মরিনা ফজনা ফমখ্রবনা থোইনা লেংবা হাইবা য়াদ্রে। লম্বীদা জিরি



ৰারীমচা পাথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীহুৎ খরা

ডা. অথোকপম উমাবতি

তুপুল রেলৰে লাইনগী টনেল হুৎপগী লোইরবা অমদি লোইফাৎত্রিবা মফম ফনা য়াম্না লৈহৌই। পূক্লিংদা নুংঙাইবা পোক্লকই। ঐখোয়সু মতম অমদদি রেলগী খুদোংচাবা ফংলনি, ইচেম্মা বীমাবতিনা হায়, কুইররোই জিরিদগী ইম্ফালদা ওফিস কারক্লগনি রেল তোংদুনা। ওজা একাশিনিনা হায়রকই, মতমদুদা চহীসি নহা ওম্হোকপা য়ারদি নুংঙাইদৌনি। ঐখোয় ময়াম নোকই। ওজা সুবদনিনা চাননবা অচাপোৎ অমগী মথংদা অমা পুথোরকই ময়ামদা য়েল্লকই চামিন্নে। ৰা ঙাঙদনা তুমিন্না তূমদুদা চৎলবদি খোঙচৎকী নুংঙাইবা লৈতবনি। খল্লি চৎমিন্নবা খোঙবু ৰাখল মান্নদবা হায়বসিসু নুংঙাইতবা অমনি মদুমক্তি হন্দক্কী অসিদা থোক্ত্রে হয়বা য়ারে। মদুমক্কা ঐনা য়াম্না ৰাগদ্রা হায়না নীংকোক নীংকোক তৌরম্বদু ইৰা ৰাদনা অয়াম্বা শরুক লাম্হোরকখি। কদাইৰায় য়ৌরবনো খঙদে লম্বীদা উ মঙ্গ্রা অঙানবা ফোং ফোং শাবা, হৈক্রু অশুবা, কিহোম য়োল্লম্মী। ফনা য়াম্না লৈনৈ, য়েন্নদুনা চামিন্নে। অরাম্বগা অমত্তা ফাওখিদ্রে। অসুম্না লাকপনা মক্রু থোং য়ৌরকই। নহালৰাই তাখিবা মক্রুথোংগী ফীভমদু ওইরমদ্রে, য়াম ফরম্মে। অসুম্না নোক্লা নোক্লা ৰারী নুংঙাইনা চৎলিঙৈ কৈফুন্দাই লানশিল্লকপগী অদুদা ক্রোক লাওবা মখোল অমা তাখি, ঐখোয়না খনবদদি লম্বীগী নূংশিংদুনা কাপখৎলকপগী মখোল ওইরমগদ্রা খল্লুবনি অদুগদি দ্রাইভরনা কুমদুনা য়েংলুবদা করিনোমা তেকখ্রে হায়রে। নুংঙাইরম্বা ৰাখলগা ৰাই চায়খি। কমদৌগনি অদুদি হংলুবদা লাই খুরুম্লগা তপ্না তপ্না য়ৌশিনবা য়াত্রা য়েংলসি হায়রকই অদুদগী গাড়ী থৌবা হৌই তপ্না তপ্না লাম্হোরকই গুলারথোন অতৈ অতৈ পূক্লিংসি ইয়াং য়াংথোকপদি শুকঙম ঙমদ্রে। উচিন নাচিন জিরি য়ৌরে। নুংশা শ্বর খরদি হন্দোক্লে। জিরিগা শিলচরগগী অরাপ্পদো খল্লুবদগী হেন্নসু লাপ্লম্মী অদুবু শোইদ ঙামদনা ঐখোয়গী গাড়ী অদুমক্কা শিলচর য়ৌরে। ঐখোয়বু ওকপীরম্বা কাঙবুগা থেংনরে। নুমিদাংগী পুং ৭ মুক তারে ঐখোয়বু হোটেল প্রসান্তনিৰাসতা লৈহল্লি। কা অমদা ওজা সুবদনি, ওজা ইবেতোন, ওজা তম্ফাস্না লৈ। কা অমদনা ইচেম্মা বীমাবতি ঐ, ইচে মায়া, ওজা একাশিনি ঐখোয় ৪ লৈ। নুমীৎসিমদি নুমিদাংগী চাক চারগা তুম্নবা অদুম শেম শারে।

দিসেম্বর ২৫ ইরাই অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট চারগা থৌরম মফম অম্বেদকর হোলদা লাকই, ইনক নক্লম্মী। ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম হৌদোকই। মথংদা ৰারীমচা পাবগী থৌরম সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট অমদি ময়াই তাংবলদা লেংশিল্লিবা তোনুবাবুনা 'নাপলগী ৰাংমদা' হায়বা ৰারীমচা পাথোক্তুনা হৌদোকই। পূন্না অইবা অইবী ২০ না অহানবা নুমীৎতা ৰারীমচা পাথোকখি। পূক্লিংদা খল্লি ঐখোয় ইম্ফালদগী লাকপশিং ঙসি হয়েং লেঙদনা লৈরগদবশিংনা হান্না পাহনবীরবদি ভাবোক্কী মশীং হন্থরিবসি হন্থরোইদবনিকো। অদুবু মসি লাল্লম্মী, মরমদি ৰারীমচা পাবগী থৌরমসি য়াওননবগীদমক লাপ্পা লাপ্পা লাক্লবা ঙাক্তা ওইরম্মী। নুমিদাংদু অনকপদা মেলা অমা য়েংলুই। নীনি চনবা নুমীৎকী অয়ুক্তু খোঙনা ফনা শাংনা কোয়থোক্লুই। শিলচরগী টেনিস ক্লবতুগী মনাক্তা লৈরম্মী কাজি নজরুল ইস্লামগী লাইফ সাইজ মীতমদু। ঐখোয়না চঙশিন্দুনা ফোটো লৌরকই। খোরিরোলগী মীফম অমা য়াওবা লাকপদা মীতম অসি থেংনবসি লাইবক ফবনি হায়নৈ ঐখোয় মশেল। নীনি চনবগী থৌরমদুদা ঙরাংগী মখা ওইনা অইবা অইবী ৪৬ না ৰারীমচা পাথোক্তুনা মপুং ওইবা থৌরমদু লোইশিনখি। মথংদা সোসাইটিগী থৌপুবশিং খনবগী মীফম পাঙথোকই। মণিপুরদগী য়াওনা অনৌবা থৌপুবশিং খল্লি। শক্লাইরবী অইবী ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিগা পাউ ফাওনদুনা ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম লাউথোকখি। সেক্রেটেরিদি হান্নগী ইচেম্মা বীমাবতিনা সুম পুবা হায়না য়ানখি। অসুম্না থৌরমদু লোইশিল্লগা নুমিদাংগী চাক্লেন ঙাইবদা ঙাইহাক ৰাৎলম্বদগী ওজা মংলেম্বনা ঐখোয়বু রেষ্টুরেন্ট অমদা হাওরবা কোফি অমদি রোষ্টেট পনির পীজরে। মতুংদা নুমিদাংগী চাকলেন চারবা মতুংদা ইম্ফালদগী লাকখিবা ঐখোয় ৮ পুনশিন্দুনা ঈশৈগী থৌরম অমা পাঙথোক্লে। অতৈদি খোম্বাংবা ঙাক্তনি মপুংদি ওজা রঘুমণিনা শকখি। অসুম্না নুমিদাং অদু খরা থেঙলপ তূমখিবদুনা দিসেম্বর ২৭ নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক্তুদি ফনা ঙন্না হৌগৎখি । পুং ৪.৩০ দগী পোৎ চৈ লোইশিন্দুনা ওজা মংলেম্বনা পুরকপা গাড়ীদুদা ঐখোয় ইম্ফালগীদমক শিলচর থাদোক্লমখি। হল্লকপগী খোঙচৎসিদদি ককচিংদগী ওজা ক্ষেত্রি বীরসু ঐখোয়গা লোয়ননা হনমিন্নরকখি। ওজাদগীসু ৰারী কয়ামা তাজবা ফংহৌই, পূক্লিং লৌশিং ওইহৌই। জিরিদগী খাংনচিংবা পোৎলমশিং লৈনরকই। অসুম্না নুংবাদা চাক্লেন চারগা থোরকপনা ইম্ফালদা নুমিদাংৰাইরমগী পুং ৫.৩০ দা তেক্তা কায়দনা ঐখোয় থুংলদুনা ২২ শুবা সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটিগী মীফম য়াওরুবগী খোঙচৎ লোইশিনখি।

# ইম্ফাল স্মার্ট সিটিঃ মসিগী মমাঙদা খন্নফম থোকপা খরা

মোইরাংথেম খেলেন, খাঙবোক

**ঐখোয়গী** ইরৈবাক মণিপুরনা মশাগী চপ-চাবা ষ্টেট অমা ওইজবসে কুমজা ১৯৭২ গী জানুৱারী ২১ হায়রিবা নুমীৎ অসিদগী মপুং ফাবা মশানা মশাগী লৈঙাক শেমজবা ঙমজবা ষ্টেট অমা ওইবা ফংজরে। হৌজিক কুমজা ২০১৬ ফাওবদা চহী ৪৪ শুরে। মসি ইশম শম্না হায়জরবদা মীরোল অমগী পুন্সি তঙ্খায় অমগুম্বনি। মসিদা ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা লাকখিবা অহোংবসে করি করম্বা হীরমশিংদা লাকখ্রবগে হায়বা অসি ঐখোয় হঙ্গৎনা অমুক্তং নৈনদুনা য়েংবা য়াই। থোইদোক্লা চাউখৎ থৌরাঙগী ওইবা হীরমদা কয়া য়াম্না হেনগৎলবা অদুগা ঐখোয়গী শেন্মিৎলোনদা কয়া য়াম্না ফীভম ফগৎলবা অদুগা অমুকসু মহৈ মশীলগী থাক্তা কয়া য়াম্না মহৈ মশীল হৈবা লৈরবগে?

ঙসি চহী ৪৪ রোম অসিদা লম্বী থোং খরা শেমদোক শেমজিন তৌবা অদুগা লম্বী খরা পাকথোরকপা মসিনা মপুং ফানা শেম শাবা লোইশিনবীরবরা হায়রগদি মসিদা পাউখুম পীবা য়াম্না লুনা থোকপা য়াই হায়না খনজে। মরমদি চহী ১৫/২০ লোমসিদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা শেমদবা লম্বী সড়ক অমত্তা লৈরমলোইদ্রা হায়না খল্লি অদুবু লাইবক থীবদি লম্বীশিং অসি অমতা লুনা নান্না অমদি নুংঙাইনা চৎপদি ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী প্রজাশিংনা ফংদ্রি। মসিসু অহোংবা অমনি হায়না লৌরসিরা? মসিসু নৈনবা য়াবা হীরম অমনি হায়দুনা খল্লি। মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাঙগী শরুক অমা ওইনা অমদি মণিপুরগী অচৌ অচৌবা লোইশঙ কয়াগী ফীভম ফগৎনবনি হায়দুনা পৈশা কয়া কয়া চঙনা অমদি মতম কয়া কয়া চঙনা অচৌ অচৌবা শঙ (বিল্ডিং) কয়া শাবীখ্রে। অদুবু করিগীনো শাবা হৌরম হৌরম্লগা লোইশিন্দনা অসুম থবক লেপথোকখ্রি। অরোইবা খরা য়াওজরবসু শঙ্গাবা ফাওবা শঙ্গাদ্রিঙৈদা মচেৎ মচেৎ কিন্থদুনা লৈবা হায়বদি শাবা লোইদ্রিবা অমনবা হায়বদো হেক মতাইদা। অদুগা অমরোমদনা অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা লোইশঙ কয়া মপুং ফানা লোইশিনবীদবদগী ঙসিদি মফম অদুদা চঙবদা অকি তুজুংবা ফাওরবা মফম অমা ওইবতা নত্তনা মীয়ামগী ফত্ত-হৌদি, অমাং-অশোই হুন্দোকফম ওইদুনা লৈবা কয়া ঐখোয়না উবা ফংলি। মসি প্রজা ঐখোয়গী ইরাল্লা নৎত্রগা ঙসিগী লৈঙাকপশিংগী মরাল্লা? মসিসু নৈনবা য়াবা হীরম অমনি হায়না খল্লি। অদুগা অমরোমদা মণিপুর প্রজা মীয়ামগী ওইবা লৌউ-শিংউগী থবক্তা নুংঙাইনবা অমদি মৈ ঈশিংগী পোথোক মরাং কায়না ফংনবা হায়দুনা অচৌ অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া, অচৌ অচৌবা দাম কয়া শাবা হৌবীখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবদা মপুং ফানা মহয় চাবা থবক্তি অমফাওবা লৈহনবা ঙমদ্রি, কুম পুদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। মসিসু অহোংবা অমনি হায়দুনা লৌরসিরা?

ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং অসি সেন্সস রেকোর্দকী মতুং ইন্না হায়রগদি চাদা ৮০ রোম ওইরে হায়দুনা লৌনরি। মসিদি য়াম্নমক চাউথোকফম থোকপনি হায়না খল্লি। ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা অচৌবা ফ্লেকসিপ প্রোগ্রাম অমা ওইনা মহৈ মশীল তম্বগী লমদা অচৌ অচৌবা শেন্থং কয়া থাদরক্তুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈহনগদবনি হায়বগী পান্দমদা 'সর্ব শিক্ষা অভিয়ান' গী থৌরাঙ মখাদা ওজা কয়া হাপ্পীখ্রে অদুগা স্কুল কয়াসু নৌনা শাবীখ্রে। লোয়ননা তোইলেট/লেট্রিন লৈরমদবা কয়াসু লোইনা শাবীখ্রে। হৌজিক অৰাৎপা অমতা লৈত্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়জনিংই। অদুবু লাইবক থীবা হায়গদ্রা ঙসিদি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিংনদি লাইরিক তম্বীয়ু হায়বদি য়াশিল্লক্তে। মসিসু অহোংবা অমনি হায়না লৌরসিরা? মসিনা কনাগী অশোইবা ওইগদৌরিবা। মণিপুর লৈঙাক্কী অশোইবা ওইগদ্রা নৎত্রগা প্রজাশিংগী অশোইবা ওইগদৌরিব্রা? মসিসু নৈনবা য়াবা হীরম অমনি হায়না খল্লি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অৰাং নোংপোক ঙমখৈদা লৈরিবা ষ্টেট ৭ অসিগী মনুংদা আসাম খক্তনি মশাগী (রিছোর্স) পোথোক খরা লৈজবা অতৈ লৈহৌরিবা ষ্টেট তরুক অসিদি মশা মশাগী পোথোক লৈজদবা ষ্টেট ঙাক্তনি। মরম অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা শেন্থং খরা খরা পীবিদুনা লৈবাক্কী ওইবা চাউখৎ থৌরাঙগী থবক কয়া পায়খৎতুনা মণিপুরগী লৈঙাক অসিসু পুরিবনি হায়না খল্লি। অদুগা করিগীনো খঙদে থংনরিবা ষ্টেট ত্রিপুরাগা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগা চাংদম্নদুনা য়েংনরুরবদি লম খুদিংমক্তা অসুক্কী মতিক খেন্ননা উরিবসি? হীরম খুদিংমক্তা ত্রিপুরানা মপুং ফানা চাউখৎ থৌরাঙগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মাঙজিল থানা চৎপলি। অদুগা ষ্টেটকী ওইবা শেন্মিৎলোন্দসু থোইদোক্লা অৰাবা লৈহন্দে। অদুগা অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্কী শেন্মিৎলোন্না করিগীদমক্তা শোথরিবনো, করিগীদমক্তা চাউখৎ থৌরাঙগী ওইবা থবক থৌরমদা মতম চঙহল্লিবা অমদি থবক্তা থীন্থহল্লিবা অসিনা করি মরমগীনো? ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগী শেন্মিৎলোন অসিনা মতৌ করম্না শোকখ্রিবনো? মসিসু ইরমদম অসিগী অহোংবা অমনি হায়দুনা লৌরসিরা নৎত্রগা থংনরিবা ষ্টেটশিংদগী ঐখোয়না হেন্না শেন্মিৎলোন্দা ফংবনি হায়না খল্লসিরা? ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনা অরেম্বদা শেল য়াম্না মাঙহনখিবা য়াওরবা নৎত্রগা লৈঙাকপশিংনা মরন্নাইগী ওইবা থবক্তা হৈনথোকখিবরা? মসিসু য়াম্না কুপ্পা নৈনবা য়াবা হীরম অমনি হায়না খল্লি। নাকল অমরোমদা অমুক য়েংসি ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা (ক্রাইম) থৌদোক ৰাথোকশিং পূন্না শুপচিনজরবদা মীফা মীপুন, নুপী অঙাংশিংদা তৌহৈদবা অমদি চৎহদ্রবা লিচৎ শাজৎ কয়া চৎলিবা মসিবু চাদা ৯০ লাইরিক হৈরে হায়বগী অচৌবা খুদম অমনি হায়না লৌরসিরা? শা-ঙাগী লিচৎ চৎপা অসিবু লাইরিক হৈবা অমদি ৰাখল্লোন ৰাংবগী খুদম কৌগদ্রা? মসিগুম্বা থৌদোক ৰাথোক অসিদি তাবদা তু চুংবদি লাইরদনা মীওইবা অমা ওইনা লৈমিন্নবদা অকিবা ফাওজরে। মরমদি ঙসিগী মণিপুরগী লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ইরক্তগী তোঙান্না চৎলুরবা মতম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোল কয়াবু অমুক মীয়ামগা পূন্না লৈমিন্নবগী পান্দমদা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবা হায়দুনা (রি-হেবিলিটেসন সেন্টর) অমা থম্বীদুনা লৈহনবীরো। অদুগা মফম অদুমক্তদা লৈমিন্নরিবা মখোয় মশেল, মী মশেলবু হাৎতোক্লদুনা মীবু মীনা থোংদুনা চানরে। ঐখোয়গী লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং চাদা ৮০ য়ৌরবা ইরমদম অসিবু "মী চাবা লৈবাক, মী চাবা মীতৈ" হায়দুনা মালেম শীনবা থুংনা পাউজেনখ্রে। মসিদগী হেন্না হন্থবা, ৰাখল্লোন তাদবা লৈবাক অসিবু ঙসিগী মালেম অসিদা লৈরল্লরোই হায়না ঐগী ৰাখলদা ফাওজে। ঙসি মালেম অসিদা শান্ন খোন্নবগী লমদা মশক তাক্লিবা মণিপুর (মীতৈ মচা) ঐখোয় অসি মী চাবা জীব নৎত্রগা মী চাবা কাঙলুপ অমা ওইরে হায়দুনা মালেম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা লৌনখিবা তাবনি। মসিনি ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম অমদি ইজাতি অসিগী লৈজরিবা মোরেলগী চাং। মসিগুম্বা ইকায় ফীরুক খুম্নিংঙাই মশক ওইরবা ঐখোয়গী ইরমদম ইজাতি অসিবু মসিসু ঐখোয় চাউখৎপগী অহোংবা অমনি হায়সিরা? ঐখোয়বু ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংনা জঙ্গলদা লৈবা মী (জঙ্গল্লি) হায়দুনা লৌবীরল্লিবা অসি ঙসিদি য়াম্না তপ্ন-তপ্না অচুম্বা ওইরক্কদৌরিবমাল্লে হায়না ঐগী পূক্লিংদা খনজে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা থংনবা ষ্টেটশিংদা লৈবা লমলক্কী হুইশিং অমদি মপু লৈত্রবা ষ্টিট দোগশিং ফাওবা পূন্না ফারগা মণিপুরদা হুন্দোকউসি হায়বদা মসি ঐখোয় মণিপুরবু উশিত্তবনি হায়দুনা য়াম্না ঙাঙনখি, য়াম্নসু শাউনখি। অদুবু ঙসিদি তপ্ন-তপ্না অচুম্বা ৰাফম লোমদা অসুম অসুম নকশিল্লকপগুম তৌরে হায়না ফাওজে। ঐখোয় মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিদি য়াম্না ৰাখল লৈবা খঙবা, য়াম্না মথৌনা লৈবা লিংজেল পানবা ফুরুপনি অদুগা অমুকসু মীনা লাকচা খুদুম চনবা য়াদবা মীগী মীখা পোন্না হিংবা পামদবা হোৎনবা কনবা ফুরুপ অমনি হায়না ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী।

অদুগুম্বা মথৌনা লৈবা ইপা ইপুশিং অমদি ইমা ইবেলশিং, ইমা ইবেলশিং অদুনা ঐখোয়বু করিনি হায়দুনা খল্লমগনি। ঐখোয় অসুক্কী মতিক থাক ৰাংনা লৈগদবা ফুরুপ অসিনা ঙসিদি অসুক্কী মতিক থাক নেম্বা অমদি অসুক্কী মতিক লৈবাক মচা তাদবগী লমচৎ শাজৎশিং অসি ঐখোয় পূন্না তিল্লাং য়োৎথরগা অমুক্তং খন্থমিন্নবগী মতম অদু য়ৌরে হায়দুনা থমজরি।

ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগী মাঙদা মণি মতুম অমা তাদুনা লৈবগুম লৈরে। ঐখোয়গী মাঙদা ঐখোয়গী ইরমদম অসি 'স্মার্ট সিটি' ওল্লনি হায়বগী হরাওজবা/ নুংঙাইজবা তাঙা অমদা লেপ্পরে। লুরিবদি ঐখোয়গী ওইনা লৈজরিবা পোৎলমশিং হায়বদি ঐখোয়না হিংবদা তঙাইফদনা চঙদ য়াদ্রবা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিং হায়বদি থৰায় পানবদগীনা থৰায় পান্দবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়না মরম চানা নিয়ম চুম্না অমদি পোৎকী মহাও অমদি মগুণশিং খঙনা মফম মতম চানা শীজিন্নবা হৈরবরা ? মসি নৈনবা য়াবা ৰাহং অমনি হায়দুনা ঐগী ৰাখলদা ফাওজে। মসি মণিপুরদা লৈবিরিবা নুংশিজরবা প্রজা খুদিংমক্কী ওইবা ৰাহং অমনি। খুদম ওইনা হায়জরবদা, ঐখোয়গী থরু-চানবা ঈশিংবু মতৌ করম্না মতম শাংনা লূনা-নান্না থমগদগে। ঐখোয়না মৈবু মতৌ করম্না চাং নাইনা অমদি নিয়ম চুম্না থানগদগে। ঐখোয়না মতৌ করম্না লম্বী চৎপদা অমদি গাড়ী থৌবদা অশোই অঙম য়াওদনা নিয়ম চুম্না চৎকদগে। ঐখোয়না শিন্মী অমা ওইনা ইথৌ মশক খঙনা মতম চানা থবক শুবা অদুগা মতম চানা থবক থাবগী নিয়ম চৎপা ঙম্লবরা/ ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাকপীরব্রা।

ঐখোয়না অনা লায়েংশঙদা অনাবা লায়েংবদা লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবশিং ঐখোয় প্রজানা মরম চানা অমদি নিয়ম চুম্না মতৌ করম্না লৌগদগে। অদুগা অনাবা লায়েংবিরিবা ডোক্টরশিংনা ঐখোয়গী অনাবশিংবু নুংশিনা অমদি থৰায় য়াওনা মতৌ করম্না লায়েংবীগদগে। ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোকপীরিবা হরাও কুম্হৈশিং মসি মতম চানা অকক্লবা মতম অমদা অকক্লবা নিয়ম অমদা মতৌ করম্না পাঙথোকহনগদগে । ঐখোয়গী থবক শুজ-নোমজদুনা লৈজরিবা লৌমীশিংগী খূৎশুমল অমদি থবক শুবদা লৌউ-শিংউবদা চঙবা দরকার ওইবা পোৎলমশিং মতৌ করম্না মতম চানা অমদি নিয়ম চুম্না লায়না ফংহনগদগে। ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা খুরক হাংদনা মানা মানা ঙমজবী থাক্তা মহৈশঙ পঙলিংদা লিংখৎলিবা অসিসু অকক্লবা নিয়ম অমগী মখাদা মফম চানা অমদি মরম চানা মীচম প্রজা অমনা য়াম্না কোম্না লাইনা মহৈ তম্বা ফংহনগদগে। অসুম্না খুদম খরদং থমজবগী ৰাফমনি। মসিনা লোইবা নত্তে। ঐখোয় মীওইবনা হিংবদা চঙবা মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক্তা য়াম্না কোম্না, লায়না অমদি নিয়ম অমা নাইনা প্রজা মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না হিংবা ফংজবা পুন্সি মহিং অদুবুনি ঙসি ঐখোয়না ঙাইজরিবা স্মার্ট সিটি হায়বদো। করিগুম্বা অমবু মপুং ফাহনগদৌরিবসি পীরক্লিবা মীশকশিং অদুনা নত্তে। লৌরগা শীজিন্নগদৌরিবা মীশকশিং অদুননি। অদুগম্বা লৌরগা শীজিন্নগদৌরিবা মশকশিং অদুনা মওং-মরিল তানা, নিয়ম চুম্না শীজিন্নদ্রবদি লৌরুরিবা অদুগী কান্নবা করি লৈগনি। খুদম ওইনা য়েংলবদা, হৌজিক মীয়াম্না কিনরিবা এইদস/কেন্সর হায়রিবা লায়না অসি লায়েংবা ঙম্বা খূৎশু-খূৎলাই পুথোক্লে হায়না খল্লসি। অদুগুম্বা খূৎশু-খূৎলাই অদু ঐখোয়গী লমদমসিদা পুরক্লগা নিয়ম চুম্না শীজিন্নদ্রবদি করি কান্নগনি? মসিগা চপ মান্নগনি স্মার্ট সিটিসু।

অসুম্না ঐখোয়গী স্মার্ট সিটিসু মপুং ফানা মশাগী ওইফম থোকপা অমদি ইনফম থোকপা নিয়ম নীতি কয়া অদু ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী প্রজা মীয়াম্না মপুং ফানা ইনবা ঙমবিদ্রবদি মথক্তা পীজরিবা খুদম অসিগী থৌদৌ তাখিবা য়াই। ইশম শম্না হায়জরবদা স্মার্ট সিটি ওইরবদি প্রজা ঐখোয়গী মোরেল কেরেক্টরসু লোয়না স্মার্ট ওইগদবনি হায়বা ৰাফম অসিসু অরোইবদা থমজরি।।

# ফাইরেন থা অমসুং ফুৰাওনরবা নুংশিবা

কেনেবো রাজকুমার

**'ফাইরেন'** হায়বা থাদু য়ৌরে। য়েংলু উরু খুদিং লোইনা ফুৰাওনরে। লম্বী মপালদা হৌবা উপাম্বীশিং কুচু কুমেন থোক্ত্রে। উফুলতনা কুপশিল্লে। লৈগী মনা, হৈগী মনা উফুলগী উফুল ঙাক্তা ঙাইখ্রে। তশেংনমক্তি ফাইরেনসে য়াম্না নীংথিজগদৌবা থানি। নাকেম্থা য়েন্নীংথাগী লোন্নবা থানি। অদুবু ফাইরেনসে য়াম্না খৎলি। ফাইরেনগী নুংশিৎনা হেল্লি খৎপা। খূৎশিৎ লাকশিৎ মওং তাদে। ৰাইশিৎ-ৰাইশেং লোইবদা ঙাইরিবা শুম্মাং-থেলোং, য়েনখা ল-খা, কোম্হোং পুম্বা পুমচাই পুমচাই চাই অখৎপী ফাইরেনগী নুংশিৎনা অমুক-অমুক শিৎলকপদা। খুঙ্গংসু মোৎলি, সহরসু মোৎলি। লাম্মৈ থাবসু হৌনরক্লনি। চীংয়া নকপা খুঙ্গংশিংদা লাম্মৈগী তাঙ্গোইনা খুঙ্গংগী শুম্মাং ফাওবা পাইথরকই। উনা ৰানানা মরোল অমা কেল্লিবা। উপালশিংনা মকোক তাংবা নুপাগুম চপ চপ য়ুংদুনা লৈ। পোইনুগী ষণগাড়ীদগী নান্থহৌবা চায়খাইরম্বা চরু-ৰাইরুশিংনা উফুলগা ইতোৎ-ইতোৎ তোৎশিন্নরদুনা খুঙ্গংগী লম্বীশিংদা হৌজিকফাওবা চাইরি। কয়াদা থীখ্রবনো ফাইরেন নহাকসে। থীজরিবমখৈ খৎপসু খৎলিদা। কয়ামুক য়াম্না খৎপগে হায়ববু মেট্রিক পরিক্ষা হায়দোরকপদা ফেল ওইরক্লবী মহৈরোয়না নুমিদাং য়ূমদা হল্লক্ত্রে হায়দুনা অহল লমন পূম্বা ৰানরে। মমা অশোনবী, মপা অশোনবা, মবুং থবক্লা লেংথোঙ ফারবশিংদু লৈতাদ্রে, ফুম্বংনরে। ৰানা নোং ঙাল্লে। অয়ুক্তা অহল অহুম মরি শুম্মাং তম্না চঙলকই। নুপী হায়দোকপা লাক্লিবনি। য়ূম পানবগী চহী শুরিব্রা শুদব্রা অদু অরায়বনি। লাইরিক তম্বা ওইররোই খঙদুনা থোক লোন্না অপীকপা কৈথেল মচাদুদা নুংশিবা অদু য়োল্লিদ্রা? নুংশিবদুবু লৈ ওন্দুনা ফজখ্রবা লৈকোল অমদা মনীং তম্না শাৎতুনা লৈখ্রবা জাৎলা নৎত্রগা তমেংলোংগী উমংদা অখাবা হৈরাং ওইনা পানখ্রবজাৎলা? অঙাংগী খোঙগ্রাও ফুরিৎখাও মনুংদা য়াওরিবা মঙ্গল অপোকপশিং অদুগী মরক্তা নুংশিবনা মঙ্গল ওন্দুনা লৈখ্রবজাৎলা? কনানদি পাউখুম পীবিগনি। হংজরিবনা পাউখুম মফংদ্রবদা, থিজরিবনা মরী মখোঙ অমত্তা মফংদ্রবদা। নুংশিবনা মাঙখিবা থিবা ফংখিদবা অদুনা ওইরম্বা য়াই ফাইরেন থানা অসুক য়াম্না খেঙ-খেঙ লাওরিবসে, শুক্তোক্লিবসে। শুক্তোক্তুনা লৈবনা মশক ফজবা করম্বা মতমদা য়াওখ্রবগে। কুচু পানবা শক চু চঙখোনবী নুপীনা শুক্তোক্তুনা লৈবা, ৰা ঙাঙবদা শৌ শৌ লাওরবা, থোৎচদ্রবা নৌজদ্রবদি হায়নরিবদুনি অউবশিংনা মশা তানবু ওইরে তাদনবু ওইরে, 'ওম্হোক্লা রাশি য়াওখিদ্রেদা মসিগী নুপীসে' হায়রদুনা। শক্কী ফজবা অদো রাশি য়াওদ্রবা মতমদা পুম্মাং মাঙখি। নুংশিবসু হিংনা হিংনা লৈনা লৈনা নুংশিবগী মগুণদুনা নোংমা নোংমগী লৈচিলনা খুমজিনবিখ্রবা থাজগী মতৌ ওনখ্রদুনা 'নুংশিবদো' থিবা ফংলক্তরে। অসুম্না অসুম মমি শামজিনখ্রি।

ফাইরেন থাদা য়েন্নীং চোংহনবীরম্বা নুংশিবশিং অদো লমতা থাদা মপুং মরৈ ফাগদৌরি। লমতা থাদা মপুং ফাখ্রবা নুংশিবশিং অদু ওল্লকপা থাশিংদদি মখোয়গী মমি তপ্ন-তপ্না শাল্লক্কদৌরিবনি। শজিবু চৈরাওবগী চৈরাও চীং কাবা নুমীৎ য়ৌগদৌরিব্রা? কাং হৌবগী নুমীৎ কাং লোইবা কাংলেনগী নুমীৎ য়াওগদৌরিব্রা? মহৈরোয়গী লূপশিংনা নৎত্রগা লৈবাক খুন্নাইসিগী হায়দুনা লৈরিবা লুপ অমহেক্তনা কোফি থকফমনি হায়দুনা লৈরিবা মফমশিংদুদগী হোইদোরকপদা নুংশিবনা পদ্রাক পদ্রাক

**ফাইরেন থাদা নৌনা য়েন্নীং হুনজখিবা নুংশিবা কয়ানা ওল্লকপা চহীগী ফাইরেন থাগী উফুল-ৰাইফুল্লক্তা, চরু-ৰাইরু মরক্তা মপোপ কায়না কায়না তাদুনা লৈরম্বা। মশক য়ৌনা থীনা থীনা হাপু চুরম্বা। পাম্মুইদা ফাইরেন থা নঙগী নরাইবক**



চেন্থোকখিৰবনি। অদুগী নুপীমচদুবু খৎতে করম হায়দৌরিব?। মহাক অদু ফাইরেনগুম্বীনি। নুপামচাসু অদু মঙাই হৌজিক্কী নুপীমচা অদুগুম্বা চহী শুদনা মশোং ফনবা নুপামচা ময়াম অমা লৈ। মখোয়সু ফাইরেনগুম্বা ঙাক্তনি।

ঐনা কয়া থীনা ঙাঙবীখ্রবনো ফাইরেন থা নহাকসে। তশেংবদি ফাইরেন থাসে অনৌবা চহী অমগী য়েন্নীং হুল্লকপা মতমনি। হৈখা মপাল, মালহৈ মপাল, হৈনৌ মপান শাবা হৌরক্লবা য়াম্না ফজখ্রবা থা অমনি। পাক্লবা খুঙ্গংগী লৌবুকশিংদা হঙ্গাম মপান্না ইপোম হৌজবা থানি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা নোবেল ইবা ককচিংদগী ওজা ক্ষেত্রি বীরনা পাক চাউনা শন্দোকখ্রবা হঙ্গাম মপালতনা ইপাক ইরবা লৌবুক্কী মতাইদা লেপ্তুনা নম্বা ফোটো অমা সোসল নেটৱার্ক অমা ওইরিবা ফেসবুক্তা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা থাগৎলকপা উখি। ওম্হোক্লা ফজখ্রে। মদুগুম্বা ককচিংগী হঙ্গাম মপালগী লৌবুক্লা ইরাং হৌরিবদো ফাইরেন থানা পানখৎলকপসিদসু শোইদনা ফুগাইনা শাৎলমখিগনি। হঙ্গাম মপালগী লমদমদা ঙাওজবা ওজা সলাম তোম্বগী হঙ্গাম মপালগী লমদমদুসু মকে শেম্না কেজনা নৌজনা হৌজিক শোইদনা মায়কৈ ঙাল্লমগনি মাগী লমদমগী পাক চাউরবা হঙ্গাম মপানগী লৌবুকশিংদা।

ইনখৎলকপা লৈশা মপুং ফাগৎলকপা, পুংফাসু ফাদ্রিবী নুজাশিংদুনা য়াম্না লুনা খঞ্জবা কোনজনিংবা, ওইনজনিংবা থা অমসুনি ফাইরেন থা। থংনবা থাদদি লমতা থানি; য়াওশঙ লাক্লগনি। হন্দক কুমগী য়াওশঙদা অহানবা লৈশা মপুং ফারদুনা পামজবা ফিজোলতনা শেৎ ইল্লদুনা মনীং তম্না থাবল চোংলগনি হায়বগী আশাদা লাঙতক্লবা ঈখৌলাংজবা, থম্মোয়নুংদা কনা হায়দোক্তনা তুমিন তুমিন ঙাইঙমজদবা মতমনি ফাইরেন থা। হৌখিবা চহীশিংদা লৈকায়গী লৈশাবী মচাশিংগী মরক্তা চোঙবা ফংজদে চাউবা মপুং ফাদ্রিবনিনা। থাবল পরেংগী খ্বাইগী মরক্তা নৎত্রগা মনিংৰাই থংবা পরেংদা হৈতা হৈতা ইন্নজখিবা, চোংজব অদু মঙাই। অদুবু থীংবা ঙমদবা মতমনি। কুমসি চহীসিদদি মীৎয়েং থন্না কাইদোং ফারেদো। মখোয়ননি ফাইরেন থাবু মথানুংদা চেৎনা কোনজনিংলিবা।

ফাইরেনগা 'নুংশিবা' হায়বসিগা মরী মতারা? নৎত্রগা মরী অমতা থোক্লদবরা? মরী মতা মক্তি নত্তে হায়বদু অনী অসি থাদোক্লবা খক য়ারোইদৌরি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিসু য়াম্না নোক্লিংবজাৎনি নৎত্রগা ঐখোয়গী অহল লমশিং অসি য়াম্না শিংই পঙলিবদি হৌজিক্কী মীরোল ওইরিবা ঐখোয়দিনি। নুপীমচা লৈশাবীশিংগী খুজেং অমত্তসু লৈরক খুল্লক্তা পাখং অমত্তনা পায়রুবা য়ারোই। পায়রুবদি লায়রদনা মীৎনা কন্না য়েংলম্বগী ফাওবা মবুং মৌপ্পাশিং থোক্লক্তুনা কোকাই লুকাই থোক্লরিপোৎনি। অদুদা নত্তনা য়ূমগী অহল লমনশিংগী মমাঙদা লৈশা ওইবীশিংনা অতোপ্পা ঙাওনা নুংশিনজবা কনাগা চৎপা ফাওবা ঙম্নদে। (হৌজিক্তি হোংবুদি হোংলে হায়ববু...?) কি হঙ্গোইনৈ, ইকায়বা ফাওনৈ। মসি খঙদুনা কুম অমগী লমতাগী থাবল লৈহনবীরল্লি। মতাঙসিদনি ঐখোয়না ঐখোয়গী অহল লমনশিংবু করম্না শিংদে হায়গনি?

অদুমওইনমক 'নুংশিবা' হায়বদো কদাই য়ৌখ্রবগে, কদাইদা চৎখ্রবগে, কদাইদা য়োনখ্রবগে, কদাইদা লোৎখ্রবগে? থাঙ্গাল কৈথেলগী, পাউনা কৈথেলগী শো রুমশিংদা য়াওব্রা নৎত্রগনা চা, পাফোর, তল, কেলি চানা য়োনফমদা নুংশিবসু য়োনব্রা, নুমিদাং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লুকমাই ফল্লিবী ইমা ইবেলশিংগী লুকমাইদা নুংশিবদুবু য়াওরিদ্রা? নৎত্রগা নম্বোল কৈথেলদা, লম্লোং কৈথেলদা, ককচিং কৈথেলদা, য়াইরিপোক্তা, বিষ্ণুপুরদা, নিংথৌখোংদা, লমশাংগী সোড়োক কৈথেলদা, কৈথেলমানবীদা, মাও গেটকী তাগদৌরিবরা অকায়বা কোইলাসকী লম্বী মথক্তা। মহৈ তমজরিবা তমজরিবীশিংদুনা নুংশিববু কোকথোঙ ফানা পুরক্লবদা ফৈজা য়াওহৌদবদগী মেট্রিক, টুয়েম্বতা নোবাব কেনবদৌনা বুপ বুপ কেনগদৌরিব্রা? নৎত্রগনা নুংশিবগী লৈতঙ্গাইদা খুদি থীখিদুনা য়ুম্বাল অনৌবদা থুংবা হেক থোক্লদনা ঙন্না মপাম য়ৌরকপসু থোক্লোইদৌবা নত্তে। মমা ওইবীশিংনা য়ুম্বাল্লোনবু তম্বীগদ্রা স্কুলগী লাইরিকপু তাকপীগদ্রা; য়ূমগী থৌগাই ময়ামবু পুনবা হোৎনগদ্রা খল্লিঙৈদা করিমতসু তাকপীবসু ঙমহৌদ্রিঙৈ... চেনথোকখিবনা হানখ্রেদো... ওহ! ওম্হোকপনি ... ফাইরেন নঙগী নুংশিৎসে কনমল্লি ... মৌ নহাশিংগী হঙ্গাম মপাল মচুগী ফি মতেক্লা য়াম্না লেমজনা কোক খুমজবা ফিদোন চিংখৎলিবা হকচাংবু কুপশিনজবদা ফাইরেন নঙনা অদুক ৰারৌরিবা করিগীনো?

মতমসে অমগা অমগা ইতোৎ তোৎশিন্নরে। খুন্নাইসিসু খুনাম তারে। তোৎশিন্নবদা য়েংবা নুংঙাইবা চাবদা হাওরিবা হায়ববু শিংজু খক্তা মঙাইরে। লাইবক থীনা নুংশিবনা ইতোৎ তোৎশিন্নরকপনা থক-খা, থকসি-খাসি, হিংবগী কাঙলোন, য়ুম্বাল্লোন, চৎনবীশিং ঙম্না মাঙশিল্লক্লি মোৎশিল্লক্লি। শোইবদি কনানসু শোইবা নত্তে হায়বা তাবনি।

থম্মোয়গী অমকপা লৈতবা ইহুলনি নুংশিবদি। ইকায়খুম্ন বা অমসুং কৎথোকপনি। নোল্লুকপনি, তাবা হৈবনি, তারিবা অদুগী ৰাহম্হোক খঙবদুনি, মীনুংশিনি ঙাকপীবনি, অচুম্বনি। নুংশিবগী মাইথোংদি মতম চুপ্পদা ফজদুনতা লৈ। নুংশিবদা ধর্ম্ম জাৎ বিজাৎ, কুচু কুমেন, অনেম অৰাং করম্না ওনবা য়াগনি। অদুবু কদাই ইয়ান য়ানশিন্নরবা অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মরক্তা থম্মোয় অমদগী থম্মোয় অমদা। হিংমিন্নবগী লংলা ওইরিবা মরী অদুদি তপ্না তপ্না মাঙলক্লি। নুংশিবনা য়েক্লবা ওল্লক্লি, লমলক্কী শা কৈ ওল্লক্লি, অথেঙবা অহিংগী নোংথাংদা য়াওরকপা ব্রজ ওইরক্লি। হঞ্জিন-হঞ্জিন উরে প্রলোই মচা অচৌবশিংসে অহিংবা ওইনা ঐখোয়-ঐখোয়গী মীৎমাঙদা। ফাইরেন থাদা নৌনা য়েন্নীং হুনজখিবা নুংশিবা কয়ানা ওল্লকপা চহীগী ফাইরেন থাগী উফুল-ৰাইফুল্লক্তা, চরু-ৰাইরু মরক্তা মপোপ কায়না কায়না তাদুনা লৈরম্বা। মশক য়ৌনা থীনা থীনা হাপু চুরম্বা। পাম্মুইদা ফাইরেন থা নঙগী নরাইবক। তাইনফমসু হেক ওইদা নফমদা। নঙদি নরোলসু থোক্তে। মরৈসু তৌদে। নফমদা তাইনদনা কনাদা তাইনরুনি। পঙবদগী পঙলবা মুর্খ ঐখোয়না অতম্বনা দাবী তৌফম, দাবী থাঙ্গৎফম কদাইদা লৈগনি। খ্বাইদগী শিংলিবদি কবি ওজা থাংজম ইবোপীশকনি। মহাক্তি ফাইরেন থাগী ৰা হায়দে। ফাইরেনগী ৰা পন্দে। শজিবুগী ৰাদি ঙাঙই। মরমদি ফজবসে ফাইরেনদগী শজিবুনা য়াম্না থীনা হেল্লম্বা তাই। মদুমক্লনি মণিপুরী ঐখোয়গী মতম চুপ্পদা শিনাইদনা লংদুনা লৈগদৌরবা কবি ওজা লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ওজা ইবোপীশক্তা গ্রিটিং কার্দ অমদা মুক মচু মচুনা ইদুনা থারকখিবা "শজিবুদা মচু মচুগী মরক্তা/নহাকপু নীংশিংলকই" - সমরেন্দ্র। নুংশিবদি শিদা লৈরে। অদুবু ইৰাও ৰাওরবা হাপু চুরবা ফাইরেন থাগী মায়কৈ ঙাওরবা নুংশিৎ মরকসিদা মমি শামি উরিবা খরসিবু নুংশিবা ওইরিদ্রা নৎত্রগা য়াচংলক্লিব্রা? ঐ খঙদে।।

পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৰারেং/ শৈরেং/ ৰারীমচা/ চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।

জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্প নবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।

—হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স